৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# লবান ক্লব শিল্লোং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

62nd CC Meet 2019-20
Today Match
Laban Club vs Klasa Keinou
4 - 2
(29-12-2019) (Time : 1:45)
SU Vs SSU



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লবান ক্লব শিল্লোংনা ক্লাসা কৈনৌবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌবগা ক্লাসা কৈনৌনা য়াম্না পাস চান্না শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ক্লাসা কৈনৌনা বোল হেন্না পায়দুনা লবান ক্লব শিল্লোংবু দোমিনেট তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ক্লাসাগী শান্নরোয় ঐচ রোমেশ জর্সি নম্বর ১১না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

লবান ক্লব শিল্লোংনা এটেক চত্থরকপনা ক্লাসাগী দি বোক্স মনুংদা ক্লাসাগী শান্নরোয় লৈশেম্বা মৈতৈ জর্সি নম্বর ২২না লবানগী শান্নরোয় ভিক্টর শাদাপ জর্সি নম্বর ১৭না বোল পুশিল্লকপদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌরগা পেনালটি পীখি। পেনালটি অদু এরিটো ক্রোসে জর্সি নম্বর ২০না কাওদুনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা ১-১দা লৈহনখি। লেপ্তুনা এটেক চত্থরকপনা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা অরক্বিস জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ক্লাসানা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা লবান ক্লব শিল্লোংগী অহুমশুবা স্কোর এসিটোনা চনখি। মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা টিমমেট ভিক্টর শাদপনা দি-বোক্স ময়াদগী কাওখিবা দাইরেক্ট কিক অদু গোল ওন্থোক্তুনা ৪-১দা চাউনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মেচকী লোইরমদাই ৮৬শুবা মিনটতা ক্লাসা কৈনৌগী শান্নরোয় কে ঐচ হেরোজিৎ জর্সি নম্বর ১৬না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-৪দা লৈহনখি। মখাতানা ক্লাসানা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু লবান ক্লব শিল্লোংনা ক্লাসাবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙখি।

অহানবা পিদোনু কপ

## সেক্তা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): পি ৱাই পি সী পুংদোংবমনা শীন্দুনা ক্লবকী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা পিদোনু কপ ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সেক্তা এফ সীনা গোল্ডন এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা পি ৱাই পি সী (বি) অমসুং খুরাই এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা সেক্তা এফ সীনা গোল্ডন এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। সেক্তা এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু এন লনচেনবা জর্সি নম্বর ১১, এল রোবার্টসন জর্সি নম্বর ৬না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা গোল্ডন এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা য়ারমিংজাম শিমরে জর্সি নম্বর ৭না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি ৱাই পি সী (বি) অমসুং খুরাই এল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখিবনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

## বেদমিন্টন মশান্নগী ওইবা কম এন্দ প্লে স্কিম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): সাই নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স তাকয়েলনা শীন্দুনা কম এন্দ প্লে স্কিম লাক্লিবা জন্যুৱারী ২০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

স্কিম অসি বেদমিন্টন মশান্না খত্তংগী ওইগনি। লোয়ননা চহী ৮দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৪ ফাওবা ওইগনি।

কম এন্দ প্লে স্কিম অসিদা এপ্লিকান্ট ৩০ হেন্না লাক্লবদি ত্রায়ল সেলেক্সন ওইনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৬ অমসুং ১৭কী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা সাই ন্যু মল্টিপরপজ ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ৩শুবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): সলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা চেছ একাদেমিদা ৩শুবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীমচা ১০ অমসুং নুপামচা ২২ পূন্না শান্নরোয় ৩২না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী টোপথ্রী প্লেয়রদা শেলগী মনা অমসুং ত্রোফি পীগনি। লোয়ননা অন্দর-১০ বোইজ এন্দ গর্লসকী টোপ ২ শান্নরোয়দসু ত্রোফি পীগনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা জালেশ থৌদামবু পোইন্ট ৩-২দা, লাইশ্রম নেলসননা ক্ষেত্রিময়ুম এইমসনবু পোইন্ট ৩-২দা, নুংশিথোই ঙাইরাংবম্না মাইবম য়োহেনবা খুমনবু পোইন্ট ৩-২দা, আইনষ্টাইন মাইবম্না নোংথোম্বম লানজেনিকা চনুবু পোইন্ট ২৫-২দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা এম সোমোরজিৎ, কে ঐচ জোনানন্দ, এ মুহিন্দ্রো শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লান্থোক্লা থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্লা কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্না ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রোওৎ চরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপ্তা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশ রন ৮৪দা থোইখ্রে

দ্রিবুগর, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): অসামগী দ্রিবুগর সিটিদা লৈবা জলান আউটদোর ষ্টদিয়মদা শান্নরিবা রঞ্জি ত্রোফি প্লেট গ্রুপকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা ঙসি মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৮৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী ঙরাং শান্নখিবা হুমনিশুবা নুমিৎকী লোইশিনখিবদা অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৩৭ লৌদুনা লৈখিবনি। মখোয়না মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা মখা তানা রন ১৩২ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

ঙসি মেচ অদুগী মরিশুবা নুমিৎকী মখা তানা শান্নরকপদা অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস মখা তারকপদা আউট ওইদনা শান্নদুনা লৈখিবা টিম অদুগী বটচমেন রাহুল দলাল অমসুং গেংকো বামগী রন ২গী মখা চত্থরকপা ইন্নিংস অদুদা গেংকো বান ঙসি অয়ূক অঙনবদা মণিপুরগী বোল্লর রাজকুমার রেক্সনা আউট তাহনখি।

মহাক্কী মহুত্তা চঙলকখিবা কারকির টায়ে শুপ্নগী রন ৪খক লৌরগা মণিপুরগী বোল্লর সুলতান করিমনা আউট তাহনখি। অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী ঙরাং রন ৪৫ লৌদুনা আউট ওইখিদবদা রাহুল দলালনা মখা তানা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু ঙাক শেনবা অমদি মখা তানা রন লৌনবা মায় পাকপগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙমখি।

মহাক্না ঙরাং হুমনিশুবা নুমিৎকী শান্নবদা লৌখিবা রন ৪৫ অদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি মেচ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা রন ৩৯ হাপচিল্লগা পূন্না রন ৮৪ লৌদুনা লৈরিঙৈ মহাকপু মণিপুরগী বোল্লর বিশ্বরজিৎ কোন্থৌজম্না আউট তাহন্দুনা অরুনাচল প্রদেশকী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ওভর ৬৬কী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট তরামক আউট ওইরগা রন ১৮৪ লৌদুনা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী রঞ্জি ত্রোফি প্লেট গ্রুপকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৮৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা রঞ্জি ত্রোফিকী প্লেট গ্রুপকী ওইনা মণিপুরগী ক্রিকেট টিমনা অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মেচ ২ থোইরগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা গ্রুপ অসিগী ওইনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## নেসনল সেপাকতাক্রো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): অন্ধ্র প্রদেশকী কাদাপ্পাদা মথং চহীগী জনুৱারি ১১দগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা ২২শুবা সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস নেসনল সেপাকতাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০১০গীদা মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয় খনখ্রে।

খল্লবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি টি. বিরবল, এম সাগর, এল রোহিত, ঐচ অনিস, এ রিথিক, ও হরেসকুমার, এস রোসন, এম বোরিস, এম নিংতম্বা, সি ঐচ চান্দ, এম অসোক, এস বোইনাও, এম গোকুলচন্দ্র, এল এক্সন, ই অরুননি।

অমরোমদা নুপীগী কাংলুপ্তা, কে ঐচ গাইত্রি, কে ঐচ দিভিকা, এম লক্ষ্মি, তি নিলোবর, ৱাই সনারেম্বী, মোনিলিসা, এন রিনা, ৱাই মালেমঙানবী, এম লাতালক্ষ্মি, পি রিসিতা, এস দাইনা, কে ঐচ দিনা, এন মিরান্দা, সি ঐচ লিনিফর, এম লিন্থোইঙানবীনি। অদুগা ওফিসলশিংদনা মেনেজরদা জি প্রিয়োব্রতা, এন গুনেশ্বর; কোচতা সি ঐচ জোতিন, এন জি রাকেশ্বর, টি ঐচ ধমেন্দ্র, টি ঐচ মনিনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী কন্সর্ন কোচশিংদা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩০গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা ইন্দোর হোল (কে এল এস সি) দা কোচিং তৌনবগীদমক রিপোর্ট তৌগদবনি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): চজিং ইনাৎ কনবা লূপনা শীন্দুনা হয়েংদগী হৌদুনা ৩১শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ লিলোং চজিং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থগনি। ওপনিং মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এন এস য়ু অমসুং কে এ এল ৱাই সী লম্বা তৌনগনি।

















EMPLOYMENTS NEWS

☞ চহী ৩০ দগী ৪৫ ফাওবদা লৈবা Security/Gunman ওইনিংবা Ex-Serviceman গী ওইনা Post ৩ (অহুম) পামজৈ।

☞ চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা (Height 5'5"+) অমসুং নুপী (Height 5'3"+) গী ওইনা Security/Gunman পামজৈ।

☞ চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা Car Driver (Unmarried) অনী পামজৈ।

☞ Brick Mistry, Gr-IV, Tyre Mistry/Helper অমসুং Brick Jugali পামজৈ।

☞ Iron Mistry ২ (অনী) পামজৈ।

Please contact :-
N.M. Singh
Mobile No. 9383154085

HL-P/5531/12/12-13/01


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com